# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## জাৎ-জাৎ উবা ওইদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মশক থীখ্রবা নুপামচা অমা, ষণ শেনবগী গৌড় লীলাদা কৃষ্ণ শাবদা নাকন্দগী মপাদুনা লাওনা হায়রকই - কনাগী মচানো ওন্থোক্না ফজখ্রেদা। অখঙবা অতাবা মীওই অমনা নাশোন পিক্লা খুল্লকই - মমাঙ লৈকায়গী ওক্ত্রবা লাইশ্রম গোপালগী মচানি। মপানা ফজৈদা হায়জবা, অখঙবা কাঙবুনা ফজবদি লায়রদুনা... মসিসু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা চৎনদে হায়বা য়াবা নত্তে। মশাগী ওইবা থবক্না ফৈদা খঞ্জবা মসিগুম্বা মীওইসু মশীং লাকঙমদনা লৈবাকসিদা লৈরিবনি। ফজৈদা ফজদেদা, থীদা থীদেদা হাউইদা হাউতেদা হায়বসিগী হোংবা য়াদনা অদুমক ঐখোয়গা য়াওন্নদুনা লৈরগদবনি। মশা মশাগী লৈজ রিবা মওংদুগী মতুংইন্না অদুমক লৈরিবনি। য়ূমদা সুম লৈরবা করিগুম্বা অমত্তা উররোই। মদুদা উগদবা হায়ববু য়ূমদুদা তৌরিবা থবক-থৌরম অদুদা ওইনা উরগদবনি। পূম্নমক নাথৈদুনা থমখ্রগা থেংনবা খরা হায়বা তারবদি হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া অমা মমল অতিয়া য়ৌনা ৱাংখৎলকপা, মসিগা লোয়ননা হিংবদা ৱানা হিংজরিবা মীওইবা কাঙলূপ খরদি ৱাবগী হায়রুরবদি অৱাবদা অৱাবা হায়দু তশেং তশেংনা ওইরবনি। মকা লাম্না নুংঙাইনা হিংবগী ৱাহন্থোক লৈরক্ত্রবা ঙসিগী মীরোলসিদা করিনো তৌগদৌরিবা? নঙ ঐনা শিল্লুবা য়াবা নত্তে। মসিবু শিনবা লাংবদা থৌগাই পুগদৌরিবা মীওইশিংদুমক থাঙ্গৈমক শেংনা পোৎকী মমল হেনগৎলে খঙলমগদৌরিবনি।

লৈঙাকসিদি অমনা পানগে পাল্লু, পান্নীংবা অমা হেক্তা পাঞ্জসনু লমদমদুদা লৈরিবা মীয়ামগী চাকহোঙ ঙাহোঙবা ওইহন্দুনা... মসিদা কনা অমত্তনা হন্দক্কী লৈঙাকসিদি পেনদেদা খক হায়নররোই। মীনা ঙাঙনবা হায়বসিতবু অচুম্বা খরদি অদুমক য়াওরবনি। শম্না হায়রবদা নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংদে হায়নরিবনি। ষণগোন্দা শজিক চাদুনা লৈরিবা ষণ, ইরোই করিগুম্বা মতমদা মপুগী চৈ চাবা কৈদৌনুংদা ওইররোই। থবক শুরিবা ষণ, ইরোই, থবক শুনা শুনা চৈদি খরা মখৈদি চাদনীংঙাই লৈরোই। থবক তৌনা তৌনা মীৱা তারবা, থবক অদু তৌবগী ফলনি হায়নরিবনি। মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা খনখ্রবা মীহুৎ অদু ফাওবা ফত্তেদা হায়নরিবনি। কনানা অফবা, কনানা ফত্তবা হায়বা ঙম্বা নত্তে। মসিগী থৌওংসিদি মীওইবা কাঙলূপ্তা অদুমক ঙাঙদুনা লৈরগদবনি। উসবকী চাক এঙ্গাং ফজনা মবুক থন্না চারবা মতুংদা মশাগী হৈনবী ওইরবা কনা কনাগুম্বদি থুম নমইদা-নমদেদা, মোরোক শাইদা হায়রিবনি। মসিগুম্বা মীওইদুমক হৈনবী ওইদুনা অদুমক লৈরগদবনি। মীওইবা অমা ওইনা খ্বাইদগী ফবসি চেক-মুক লাওদনা কনাদসু ফৈদা-ফত্তেদা হায়দনা মশা মথন্তা লৈজবা মসিগুম্বা মীওইদুদি কনানসু করিসু হায়নরোইদবনি।

ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চৎনরিবা মরু ওইবা লম্বী কয়া অমা পোট হোল কয়া অমা লৈখৎলকপা, নোং তাদ্রিৰৈগী মতমদদি মসি থোইদোকপা হায়নদবনি। নোংবু ফজনা তারক্লবা লম্বী ময়ায়দা-মতাইদা... মসিমা থেন্দুনা থম্বগী মওং অমা ওইরবনি। মসিদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীওইশিংনা কদাইদা করি শোয়রিবা, কদাইদনা ফরিবা, মসিমক কোয়চৎ চৎতুনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা হায়বদু ওইরবনি। খুদোংথিরবা কান্দদা চেকশিনবা, ঈশিং ঈচাও লাক্লবা মতমদা তুরেলগী তোর্ব্বান নিংখাইদৌরবদা থিংনবা হোৎনবা পূম্নমক মতম মানা লৈরিঙৈদা থবক ওইনা পাঙথোকপনা খুদোংথিগদবদগী ঙাকথোকপা হায়বদু ওইদৌরিবনি। থবক ওইনা লাক্লবা মতমদা তৌদবা য়াদবদৌনা থবক ফবা শাদুনা... মসিমক অশিংবা অখঙবা কনাগুম্বগী মফমদদি তৌজশারিবা অসি য়েংনীংখিদ্রেদা মসিমক মচিননা হায়দ্রবসু মবুক্লিংদা থরুম তৌদুনা থল্লিবনি। মতাংনা মতমনা লৈরিঙৈদা তৌদবা য়াদ্রবা থবকসিদি মপূং ফানা তৌহৌবনা অফবা হায়বদু নমদনা ওইরদবনি। ৱাফমসিমক মচা ওইবা মহাক্না মপাদা হঙ্গৎনা হায়বা তাদৌরিবা জাৎলা? অহল ওইগেরা, অঙাং ওইগেরা অখঙবনা ওজানি। মসিমক মাংলমচৎতগী অদুমক লৈরক্লবনি। তৌবগীবুদি অহলগী চিন্দগী ঙাঙথোক-শকতোরকপসিমা অচুম্বনা অয়াম্বা ওইরবনি। মচা ওইবা মহাক্না ময়ুম মকৈ পাল্লবা মতুংদা মমা মপাবু নুংশিবগী লৈখোল অমত্তা য়াওদনা তোঙান চাহনবা, করিগুম্বা খুদোংচাবা অমত্তা মমাগীনি, মপাগীনি হায়না পীদবা মসিনা অতিয়াদা করি করিগুম্বা মতমদা চুমথাং থোকপগুম ওইরবনি। হন্দক্কী চহীগী ওইনা চুমথাংবু উদ্রি? হায়বদা কনা অমত্তনা মচিন থিনু হায়ররোইদবনি।

মানা তৌবনা মানা ফংবা মসিমদি কুইগদবা নত্তে। হিংলিঙৈগী মনুংদা অদুমক থেংনরগদবনি। থেংন-থেংননা হিংনা হিংনা মতম হৌখিদৌরিবনি। ঙসিগী মতম হৌখিবদা অমুক হন্না লাক্কদবা নত্তে। চৎপা য়ারোই হায়দুনা অখঙ অহৈ ময়াম অমনা ফাদুনা থম্মুবা য়াগদবা নত্তে। লম্বীসু নোংম-নোংমগী চিনবগী চাংসি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। লম্বী ময়াদা লৈবা স্কুল কয়ানা স্কুল কানরকপা মতমদা চিল্লিবা করি অমুক হায়গনি। মমিং মথা পল্লুদনা করিবু কান্নগনি। মখোয়সিমক অসুমক মখা চখদুনা লৈরবা এক্সিদেন্ট ওইরক্লবগী অচৌবা লম্বী ওইরক্কদৌরিবনি।

লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা জামসু অদুমক নুমিৎ খুদিংগী মায়োক্নদুনা লৈরবনি। মসি করম্বা পাম্বৈনা ফহনগনি। ফনবা হোৎনবদা খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লবনি। ৱারৌবা ময়াম অমা লৈদুনসু থবক ওইনা করম তৌনা পাঙথোক্কনি। পূম্নমকসি লৈঙাক নত্তনা লৈত্রবনি। তৌগে ঙম্বা শক্তি লৈরবা ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা শেম্বা লৈঙাক মখোয়না তৌগে নীংবদা ঙমদবা লৈতবনি। ঙম্বা ঙাক্তনি। লৈঙাক্না শিল্লকপা থবক থৌরম কয়াদা মীওই কয়ানা পেন্দবগী খোল্লাউ ময়াম অমা লৈরবসু অদুমক মীচম মীয়ামগী খোল্লাউদুনা ময়াক চল্লক্তুনা... মমৈদা লৈঙাক্না অদুমক মসি হায়জিনবা নত্তে। চুমদুনা অদুমক লৈদৌবনি।

তোংজৈ মরীলদা শামু চৎহল্লু হায়বগী অঙাংগী নিঙাই লৈদুনসু ঙম্লোইদবা থবক্তি ঙমগনি হায়দুনা চোঙথোক্লুবা কান্নদবদা অরেম্বা তাদুনা তোক্কদৌরিবনি। হায়নবগী ৱানি রাবননা সোরারেন শম্নবা সনাগী কৈরাক থাগে খল্লম্বা তৌদদুনা তোকখিবা ৱারীগী ৱানি। ৱাংখ্রবা শাংখ্রবা লোইবা নাইদ্রবা মফম কদায়দা লৈবনো জ্ঞান তাদ্রবা মফম অতিয়া, ৱারী হায়বদুনি। ঙমদবা লৈতে হায়বগী ৱানি। লৈঙাক পায়রিবা ফম্নাইবশিংনসু মীচম মীয়ামগী খোল্লাউ লাক্ত্রিঙৈদা তৌগদবা থবক্তি মচু তানা তৌথোকপদা মীওই অমত্তনা ফত্তেদা হায়রক্লোইদবনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্না ঙমলোইদবা থবক্তা তৌদবা য়াদবদৌনা... মসিমা লৈঙাক অমদি মীয়াম অনীগী মরক্তা মুকসিনবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। ঙমদবা লৈত্রবা লৈঙাক পায়রিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিং ঐখোয়নদি নুংঙাইরমগনি খল্লুবা য়াবা নত্তে। মখোয়সু মথাদি অদুমক মশাবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

## ষ্টেটকী পাউ

# লৈঙাক্না মীয়ামগী মরল হুরানবা মাইকেল ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি : জি এম টি ইনভেষ্টরশিং




ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): মোইরাংদা বেজ তৌবা গ্রো মণিপুর টিম (জি এম টি) হায়না খঙনবা টিম অসিনা মীয়ামদগী লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা শেনফম খোমগৎলবা মতুং মখোয়না মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং অদুগী ওন্ন তৈনবদা মীয়ামগী পৈশা হুরান্দুনা লোৎখ্রে। মরম অদুনা টিম অসিবু লুচিংলিবা পুখ্রাম মাইকেল অমদি টিম অসিবু চল্লাইবদা মতেং পাংলিবা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈঙাক্ন া ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়না ওল মণিপুর জি এম টি ইনভেষ্টর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তকশিল্লক্লি।

মাইকেল অমদি মহাক্কা থবক তৌমিন্নরম্বশিং ফাদুনা ইনভেষ্টরশিংদা শিন্নগদবনি অমদি লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি ইনভেষ্টরশিংগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা টিদ্দিম গ্রাউন্দগী মায়োক্লবদা ফমখ্রে। ঙসিগী পেন দবগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইনভেষ্টরশিংনা মাইকেল লোৎপা য়ারোই, গভর্নমেন্টনা মাইকেল চৈরাক পীয়ু, মীয়ামগী পৈশা ফোঙনা হুরানবা চৈরাক পীয়ু, ইনভেষ্টরশিংগী পৈশা হন্দোরক্ত্রবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব মাইকেলনা পুগদবনি অমদি ষ্টোপ পোঞ্জি স্কিম ইন মণিপুর হায়না থাবা প্লে কার্দশিংসু শীজিন্নখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খাঙবোক্তগী ইনভেষ্টর লাইশ্রম রোমেন কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, জি এম টিবু চল্লাইরম্বা মীওইশিং অসি লৈঙাক্না কনখৎপা মানবা মওংদা থবক তৌরিবা অসি লাইবক থিবনি। মরাল লৈরে খঙলবা মীওই অমবু হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্না লোগী ওইবা এক্সন লৌখত্তনা লৈরি। জি এম টি গ্রুপতা পৈশা থমখিবা মীওইশিং অদুগী ফিভম করি ওইরমগনি হায়বসি লৈঙাক্না খঙগদবনি। চহী কয়া চঙনা হোৎনদুনা তাল্লকপা শেনফম খরা অদু হায়রিবা জি এম টিদা থম্লগা খরা ফগদ্রা খন্দুনা অমদি জি এম টিবু মপুঙ ওইনা চল্লাইরিবা পুখ্রাম মাইকেলবু য়াম্না থাজনা শেলশিং ইনভেষ্ট তৌখিবনি। অদুবু মহাক্না খঙহৌদনা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা মীয়ামগী য়াম্লবা শেনফমশিং হুরান দুনা লোৎখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মাইকেল মশানসু মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংলগা অথুবা মতমদা মীয়ামগী শেনফমশিং হন্দোক্কদবনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াখিবী ৱাংজিং কৈরেনবিখোক্তগী ফি শাবী ইমা অমনা ফোঙদোকখিবদা, য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা চহী কয়া তুংশিল্লকপা শেনফম খরা মীয়াম্না ফৈ ফৈ হায়নরকপদগী জি এম টিদা ইনভেষ্ট তৌখিবনি। অদুবু লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোক্কনি হায়বদি থাজরুদে। খঙহৌদনা থোরক্লিবা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা মহাক করি তৌগদবনো হায়বা খঙদ্রে। করিগুম্বা মতমদা মশা মতোমতা শিজরসিরা হায়না খল্লকপসু য়াওরে হায়না য়াম্না নিংঙমদনা পাউদল্লকখি। ওইরিবা ফিভম অসিদা ৱাকৎফম লৈতবনা তুমিন্না তৌফম খঙদনা লৈরি। লৈঙাক্নসু লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং মতম চানা লৌখৎপিবা লৈত্রি। মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিনা মীয়ামগী মতেং পাঙলত্ত্রবদি নোংমগী শুরগা চারিবা মখোয়গী হিংফম লৈরক্লরোইসু হায়খি।

পনবা য়াবদি পুখ্রাম মাইকেল লমদম অসি থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা চত্তুনা লোৎনবা হোৎনরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং হৌখিবা মেগী ২১ দা মহাকপু বিষ্ণুপুর পুলিসনা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা মীওই খরগা লোয়ননা ফাদুনা থল্লকখিবনি। মদুগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা মাইকেল বেলদা থোকখিবদগী থিবা ফংদনা লাকখিবনি। মহাক্না লুচিংবা জি এম টিনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদগী পুন্না লুপা ক্রোর ১০০০ হেন্না খোমগৎখি হায়না ইনভেষ্টরশিংনা ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

# ককচিং খুনৌ কৈথেল মতমগা চানবা মওংদা শেমগৎনবা পুক্নিং চীংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ককচিং খুনৌগী কৈথেল অসিদা পোৎ য়োন্দুনা হিংনবগী লম্বী ওইরিবসি ককচিং খুনৌখক্কী মীওইশিং নত্তে। কৈথেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা পোৎ য়োন্দুনা হিংনবগী লম্বী ওইরি। মরম অদুনা ককচিং খুনৌ কৈথেল মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপা মথৌ তারে। মরম অদুনা লৈঙাক্না হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি লম্বী ওইহল্লিবা কৈথেল অসিবু অথুবা মতমদা মতমগা চানবা মওংদা শেমৎপীনবা য়ুথ পাইওনীর কম্মিটিনা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ককচিং খুনৌ কৈথেলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ুথ পাইওনীর কম্মিটিগী সেক্রেটরি এস তোম্বনা হায়, ককচিং খুনৌ অসি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা মফম অমা ওইরবসু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমগী লৈফম অমদি ওইফম থোকপা মশক অদু লৈহনবা ঙমদ্রি। মফম অসি গ্রাম পঞ্চায়ট অমগী থাক্তা হিরম কয়াদা শোৎখদুনা লৈরি। মরুওইনা ককচিং খুনৌ অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীং অমদি তমগী ফুরুপ কয়ানা নুমিৎ খুদিংগী পোৎ য়োল্লিবা অমদি লৈনরিবা কৈথেল অসি অসুক্কী মতিক মওং মরিল তাদ্রে। মরম অদুনা কৈথেল অসি লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতমগা চুনবা মওংদা শাবিয়ু হায়খি।

মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ককচিং খুনৌ অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা লৌউ শিংউ তৌরগা হিংবা ঙাক্তনি। অদুবু নোং চুরক্তবা মতমদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা লৈতবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা মফমশিং অসিদা চহী চুপ্পা ঈশিং ৱাত্তনা ফংহন্নবা তুরেল অমদি খোংলমশিং অসিদসু মীৎয়েং চংবীয়ু। অমরোমদা সুগুনু এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লম্বী থোংগী ফিভম অসিসু অঙকপা ফংনা ফত্তবা হায়বদু ওইরে। হিরম অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীনবা অপিলসু তৌখি।

পাউগী মীফম অদু লোইরবা মতুংদা কম্মিটি অসিনা শিন্দুনা ককচিং খুনৌ কৈথেল অমদি উমাথেলদা লৈবা প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরদা চত্তুনা শিৎ শেংবা অমদি মীয়ামদা লু নান্না লৈহন্নবা এৱ্যারনেসসু পাঙথোকখি।

# ভেননা থোল্লম্বদগী মীওই ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): ঙসি অয়ুঙ ৭.৩০ রোম তারকপদা হৈরাঙ্গোইথোং কৈশাম লৈকায় ওইল পম্পতগী খরা চৎলগা লৈবা মফম অমদা হোন্দা এক্টিভা তোংদুনা লাকখিবা নুপা অমা তুংলোমদগী থৌরকখিবা ভেন অমনা থোল্লম্বদগী শোক্তুনা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটিদা পুখত্তুনা লায়কন্নরকখিবা অদু লৈখিদ্রে হায়রি।

পাউ চে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং সলাম গোর্বোধোন এলাইজ বিনোৎকুমার অপোকপা সলাম য়াইমা কৌই। মহাক হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দগীনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি হোন্দা এক্টিবা (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০১ এফ ৭৭৯৩) অমা তোংদুনা বজার মায়কৈরোমদা থৌরকখিবনি। অদুবু মহাক্কী মতুংদা থৌরকখিবা ওমনি ভেন অমনা মহাকপু তুংলোমদগী থোমজিল্লকখিবনি। খুদক্তা মহাকপু নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটিদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চখখি। পুঙ অনীরোম লায়কন্নরবা মতুং শোক্লবা মীওই অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা মরুওইনা চেন্নরিবা ভেন থৌরকখিবা মীওই অদুগী মোবাইল নম্বরনা ৮৭৩০৯৬৪৩২৭ নি। টু কোলরদা মহাক্কী মমিং অদু হেরোজিৎ খাইদেম হায়না লৈ অমদি মহাক্না থৌরকখিবা ভেন অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এম এন ০৫ এ ৯৬৯৪ নি হায়রি।

# হিরোইন পাউদর গ্রাম ২৫ গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না ৱার ওন দ্রগকী অকনবা থবক লৌখৎলিঙৈ চৈরক্তা লিলোং এরিয়াদা দ্রগ পুদুনা লাকপা মীওই অনী ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী টিম অমনা তান্নরগা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, লিলোং থোং মনাক্তা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা মতমদা লম্বীদা অচৎ-অওক চেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা বজার আর ঈ দিজল ওটো নম্বর য়াওদবা অমা লিলোংলোমদগী ইম্ফাল তম্না থৌরকপদা পুলিসনা খাম্বদা খাল্লমদনা থৌখি। অদুদা পুলিসনা তান্নরগা গাড়ি অদু খাল্লগা চেক তৌখি। গাড়ি অদুগী মনুংদা লোত্তুনা পুরম্বা সাপোন কেপ অনীদা হাপ্তুনা পুরকপা হিরোইন পাউদর গ্রাম ২৫ পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি।

দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি হাট্টাগী পব্লিক হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈবা এম দি অলি খান (৩৫), অপোকপা এম দি নজিমুদ্দিন অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বোরায়াংবী মখা লৈকায়দগী লাক্লগা হৌজিক্লা হট্টা গোলাপুরিদা লৈবা এম দি অজিজুর (১৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি মুজি কৌই। মখোয়দগী দ্রগ ফাবদা নত্তনা মোবাইল ফোন অমদি বজাজ ওটো আর ঈসু ফাগৎলে হায়রি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদু পুলিসনা এন দি এন্দ পি এসকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# চহীগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি কম্মিটি অসিগী চহীগী ওইবা মীফম থংমৈবন্দা এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) গী হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা চহীগী মীফম অদুদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ধিরাজ য়ুম্নাম, চীফ পেট্রোন মোইরাংথেম নাওদালেনখোম্বা, এদভাইজর প্রোফেসর হুইদ্রোম জয়েন্তকুমার অমদি সিনিয়র মেম্বর ডা. খোমদোন লিসমনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ওপন দিসকসনদা মণিপুর লৈঙাক্না য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈ মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌবীগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি অমদি মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্নবা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): পব্লিক লাইব্রেরি, ময়াং ইম্ফালগী ১২ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মনা লান্থোকপগী থৌরম অমদু পাঙথোকখ্রে।

লাইব্রেরী অসিনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি সুবদনিনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা) গী প্রসিদেন্ট কাঙজম চাওবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। মপোক মুকওনগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা অহানবা পব্লিক লাইব্রেরী ঈশৈ শৈরেং মনা-২২ না খাঙেম্বম ইবেতোন অদুগা অনীশুবা পব্লিক লাইব্রেরী পোইত্রি এৱার্দ-২২গী মনানা মুতুম রমনিদা লান্থোকখি। লোয়ননা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবগী নুংঙাইরবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

# মৈতৈ কুম্পালোল ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস): মৈতৈ লীপুন ওফ কংলৈ মৈত্রবাকনা শিন্দুনা ঙসি মৈতৈ কুম্পালোল কেলেন্দর ফোংবগী থৌরম অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্থ সাইন্সতা লৈবা সীনেট হোলদা পাঙথোকখিবা মৈতৈ কুম্পালোল কেলেন্দর ফোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোন য়াওনা লমদম অসিগী নাৎ চৎনবীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অমদি থৌরমদুদা তিনখিবা মীয়াম্না মৈতৈ লীপুন শেন্মীৎলোনগী মতাংদসু নৈনখি।

/ য়োঞ্জরি য়োঞ্জরি

Plastic কী দনা শুংনবা মেছিন অমা য়াম্না হোঙনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা Plastic industries তৌবীনিংবশিংনা পাম্বীরবদি য়াম্না হোঙনা লৈবীবা য়াগনি। অদোম্না মখাগী নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

Contact No. : 9862107950
8259023621

HL-P/2344/25,26

OFFER / OFFER /

B.V. 380 মচা অমদা লুপা ২৫ দা ফংবীগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎ খূদিংগী ঙানু মচা Khaki, Muksan, Peking অমদি য়েন্নাও Kuroiler, Black Rock, FFG, Banaraja, Layer B.V. (380) হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ নুমিৎ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। Khaki অমদি Layer হায়রিবশিং অসি মচীঞ্জাক য়াম্না চাদবগা লোয়ননা মপী ১০০ লোইবদা নোংমদা মরুম ৯০দগী ৯৮ ফাওবা কোকহনবা ঙম্মী।

লেংশিনবীরকসি : EMOINU HATCHERY
Near BSNL & POSTAL COLONY,
Eastern Ground Leirak, Palace Compound,
# 9436085117

HL-P/2098/25

/ লম অনী য়োঞ্জরি

Meitram Awang Leikai দা লম্বীগা হেক তায়নবদা পোইন্ট ১০ অমসুং পোইন্ট ২০ চাওবা লম অনী য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। Rate না Sq.ft. তা Rs. 650/- খক্তনি।

HL-P/2319/25,26,27
Contact No. : 7005386260

Office of the Principal
IDEAL MORAL ACADEMY
IMA Nongshum, Uyumpok, Imphal East

WANTED /

*Applications are invited from Candidates having good academic records and teaching skills for the following post :*

| Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| *English* | *One* | *MA English* | *Negotiable* |

For details contact the School Office on or before 5th May, 2022
Sd/-
Mobile no : 8414976759/9856754172 Principal

HL-P/2343/25

/খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমসু পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা ফহনবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, ইন্থরকপা অদু খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা অদুগা মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, হান্না মশানা খোঙ হাম্বা লোইরগা হনগৎখিবা অদু হৌজিক্না মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ নান্থরকপা, চৎপা মতমদসু নান্থরকপা, অসুম্না শৌজ নান্থরকপা অদু হকচাংদা ইহৈ হৈনদবা, নান্থরকপা শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনমন্দনা অমাংথোঙদা য়াম্না নারকপা, অমাংথোঙদা তঙ্খায় অমসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমসু পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুকসু লেপখিবা, অমুক তারকপা, খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ তোয়না হান্মন্দনা শৌজ তোয়না নান্থরকপা, য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাঙ নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* Ch. Kumar Singh
Kakching

HL-B/7590/25

/ NOTICE

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী প্রজাশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি লৈকাই অসিদা করিগুম্বা থৌদোক-ৱাথোক খরা থোকপদগী হায়রিবা লৈকাই অসিদা নুমিদাংগী পুং ৯ দগী লৈকাই অসিদা মীতোপ চঙবা থিংলে। করিগুম্বা মরম চাদনা লমহেন্দুনা চঙলকপা তারবদি মদুদগী থোক্লকপা অফ-ফত্তা খূদিংমক মশা-মশানা দায়ত্য পুজগদবনি। হায়রিবা নোটিস অসি খুননা মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিফাও চৎনগনি।

**Sd/- Secretary,**
Ibudhou Ebendhou Seva Committee
Nongpok Sanjenbam Kambongput
Imphal East

HL-P/2345/25

/ চহীগী দশা য়েংজরি



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুখবা, য়ূম-ইঙ্খোল, লৌ, য়ূম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7595/10/4-10/5 (alt)